**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 11-05-2025)**

**প্রেস ব্রিফিংঃ** মমাং থাগী ২২ দা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পাহলগামদা চথখিবা এটেক অদুগী পাউখুমদা লৈবাক অসিনা চথখিবা ওপরেসন সিন্ধুরদা টেরোরিষ্ট ১০০ হেন্না হাৎপা ঙমখি হায়না ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ফোংদোরক্লি।

ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা ভারত লান্মীগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওবা পাউগী মীফম অমদা দাইরেক্তর জেনরেল মিলিটরি ওপরেসন-লেফটনেন্ট জেনরেল-রাজিব ঘাইনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুর অসি টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিং শিল লাংবা অমদি মতেং পাংবদা য়াওবা মীওইশিংগী মথক্তা চথখিবনি। ওপরেসন অসিনা টেরোরিষ্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংদা অখন্ননা চথখিবনি। ওপরেসন অদুদা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অমদি মখোয়না লৈরিবা মফম, ত্রেন্নিং সেন্টরনচিংবা খক নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদা ভারত লান্মীনা লান্দাখিবা লৈতে। মহাকা হায়-ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্স অমদি ইন্দিয়ান নেভিনা ওপরেসন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

পাউগী মীফম অদুদা দাইরেক্তর জেনরেল নেভেল ওপরেসন ভাইস এদমিরেল-এ.এম. প্রমোদ, দাইরেক্তর জেনরেল ইয়ার ওপরেসন ইয়ার মার্সেল-এ.কে. ভারতি শরুক য়াখি।

**ডেঃ** মালেম শিনবা থুংবদা ঙসি ইমাগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। চহি খুদিংগী মে থাগী অনিশুবা নোংমাইজিং নুমিৎতা নুমিৎ অসি পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মমাশিংনা মচাশিংবু নুংশিনা অমদি কৎথোকপগা লোয়ননা নাউকোনবীরকপবু মচাশিংনা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম মনিপুরগী-তমেংলোং, নোনে, উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদসু পাঙথোকখি। মমাশিংগীদমক ঈশ্বরদা খুরুমজবা অমদি খুদোল পোৎ পীবনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিনদুনা হকশেলগী কর্ম্মচারিশিং অমসুং আশাশিংদা অঙাং নৌনা লুহোংবা থিংনবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি চরাংপাৎতা লৈবা পি.ঐচ.সিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা লৈবাক অসিদগী অঙাং লুহোংবগী চৎনবী মুথৎনবা অমসুং মসিগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোক খি।

ধর্ম্মগী লুচিংবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংবু প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০০৬ কী মতাংদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি চরোই-তুপুল এস.দি.এ. চর্চ কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** কেন্দ্র বিদ্যালয়শিংদা ইংলিসকী ওজা ওইরিবশিংগী ওইবা কোমপেন্টসি বেস লর্নিংগী ওইবা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী লমফেলপাৎতা লৈবা কেন্দ্র বিদ্যালয় নম্বর ৱান ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি শ্রী ওরোবিন্দো সোসাইতিনা শিনবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী দিরেক্তর জেনরেল ওফ মিলিটরি ওপরেসন (দি.জি.এম.ও) গী মরক্তা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সিজ ফয়ার তৌনখ্রবা মতুংদা ঙসিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। লৈবাক অনিগী দি.জি.এম.ও) শিংগী

মীফম অমসু হয়েং পাঙথোক্তুনা ৱারী শান্নগনি।

মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ, মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্কর, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর-অজিৎ দোবাল, চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল-অনিল চৌহান, আর্মি চীফ-উপন্দ্র দ্বিবেদি, নেভিগী চীফ এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাথি, ইয়ার ফোর্সকী চীফ ইয়ার চীফ মার্সেল-অমর প্রিথ সিংহ শরুক য়াখি।

মরক অসিদা, পাকিস্তাননা সিজ ফয়ার অমদি ইয়ার স্পেসকী নিয়মশিং ঙরাং নুমিদাং থুগায়খ্রবা মতুংদা ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপন্দ্রে দ্বিবেদিনা ৱেষ্টর্ন বোর্ডরগী আর্মি কম্মান্দরশিং য়াওনা সেক্যুরিতিগী ফিভম অদু য়েংশিনখ্রে। সিজ ফয়ার থুগায়বগী থৌওংশিং চথুরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীননবা জেনরেল অসিনা আর্মি কম্মান্দরশিংদা খঙহনখ্রে।

ভারত অমসুং পাকিস্তান লৈবাক অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অসি লাকশিন্নবগীদমক সিজ ফয়ার তৌনখিবা অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াগী লুচিংবা কয়ানা তরামা ওক্লি। য়ু.এন. সেক্রেটরি জেনরেল-এন্তোনিয়ো গুতরস, য়ু.কেগী ফোরেন সেক্রেটরি-দেবিদ লেমি, ই.য়ুগী ফোরেন চীফ কাজা কালস অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রালনসু সিজ ফয়ার অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা শান্তি হনজিলহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** ফন্দামেন্টেল অমসুং লিগেল রাইটসশিং খঙবা হায়বা হীরমদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা নোংমাইজিং খুদিংগী হোম গার্দ বটালিয়নশিংগী ওইবা মীফম অমা ঙসিদগী হৌখ্রে।

মীফম অসি মথং থাগী ৮ ফাওবা চথগনি। ঙসিদগী হৌখিবা মীফম অসি মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন অমসুং বটালিয়ন ইন-চার্জ ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা জিলা অসিগী পোরোম্পাৎতা লৈবা মোর্দন কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**মীফম(এল)ঃ** ৱাৰ্ল্ড গোসু ফেদরেসন হেদক্বাটরস য়ু.এস.এগী ইগজক্যিটিব কমিতিগী মেম্বর অমসুং ইন্দিয়া গোসু ফেদরেসনগী চেয়ারমেন-গ্রান্ট মাস্তর-জগেশ্বর সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমগা মহৈরোইশিংগা ৱারী-ৱাতাই শাবগী থৌরম অমা ঙসি লাইবেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

মদুদা, ইশা ঙাকথোকচনবগী প্রাক্তিকেল সেসনসু চখখি। থৌরম অদুদা মহৈরোই ২০০ রোম শরুক য়াখি।

**সিপিআই (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী সি.পি.আই. ওফিসতা ১৩ শুবা চহিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী চিংখো চিংয়াদা লৌ পরি ১০০ হেন্না লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা অসি লৌ উবা য়াহন্নবা লৈঙাকা থবক পায়খৎপীনবা ঙসিগী মীফম অদুদা ৱারেপ লৌখি।

**টেকোলোজি ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি জাতিগী টেকোলোজি নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে। ১৯৯৮ কী নুমিৎ অসিদা রাজস্থানগী পোখ্রানদা ন্যুক্লিয়ার বোম মায় পাকা চাংয়েং তৌখি। টেকোলোজিগী লমদা চাওখৎলকপনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা লৌরিবা মরুওইবা থৌদাং অদুবু নিংশিংবা ওইনা নুমিৎ অসি পালন তৌবনি। পালন নুমিৎ অসিনা অহানবা ভারতনা শাজবা ইয়ারক্রাফট-হনসা থ্রি লোঞ্চ তৌখিবা অদুবু নীংশিহল্লি।

পালন নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ অনিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহনবদা অনৌবা টেকোলোজিশিং চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সাইন্টিষ্টশিং, ইঞ্জিনিয়ারিংশিং অমসুং টেকিসিয়ানশিংদা ইকয় খুমবা উৎলি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা টেকোলোজি নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ

পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী মোদিনা হায়-ভারত অসি স্পেস, আই.টি., দিজিটেল ইনোভেসন অমসুং গ্রীন টেকোলোজি য়াওনা তোঙান তোঙানবা টেকোলোজিগী লম কয়াদা মালেমগী ওইনা মাংজিল থারি।

**রাজনাথঃ** মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লক্ষনৌদা ব্রামোস এরোস্পেস ইন্টিগ্রেসন এন্দ টেষ্টিং ফেসিলিতি ভেদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হাংদোকখ্রে। থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-ব্রামেস অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মপাঙ্গন কনবা মীসাইলশিংগী মনুংদা অমনি।

ঙসিদি মালেমদা ভারত অসি খ্বাইদগী মপাঙ্গন কনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরে। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-ওপরেসন সিন্ধুর অসি পাকিস্তানগী টেরোরিষ্ট হনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মাঙহন্নবা অমসুং মীচম মীয়ামদা অশোক অপন নংহল দনবা চত্থখিবনি। অদুবু, পাকিস্তাননা ভারতকী মীচম মীয়ামদা অতমনা এট্টেক চত্থবগা লোয়ননা লাইশঙশিং অমাং অতা থোকহল্লি। ওপরেসন অসিনা ভারতনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্লা অচেৎপা ফিরেপ অদু উৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী শক্তি অদুবু ময়েক শেংনা তাক্লি।

**প্লেনঃ** দিল্লি ইয়ারপোর্টতা ঙসি পুন্না ফ্লাইট ৯৭ কেন্সেল তৌখ্রে। মসিগী মনুংদা ইন্টরনেসনেল অমদি দোমেষ্টিক ফ্লাইটশিং য়াওরি।

পেসেঞ্জরশিংনা মখোয় মখোয়না তোংগদবা ফ্লাইটকী অকুপ্পা মরোলশিং অমদি ফ্লাইট হোংদোক হোংজিন তৌবগী অকুপ্পা মরোলশিং মখোয় মখোয়না তোংগদবা ইয়ারলাইন্সশিংদগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

**সেটিলাইটঃ** ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী চেয়ারমেন-ডা: ভি. নরায়ানন্দনা হায়রি, নসা-ইসরো রাদর সেটিলাইট মথং থাদা থাগৎলগনি।

সেন্ত্রেল এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি ইম্ফালগী অগরতালাদা লৈবা কলেজ

ওফ ফিসরিজদা পাঙথোকপা য়ুনিভরসিতি অসিগী মঙাশুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াবা লাকখিবা ইসরোগী চেয়ারমেন-ডা: ভি. নরায়ানন্দনগা অকাশবানি অগরতালাগা অখন্ননা উন্নবদা মহাকা হায়-রাদর সেটিলাইট অসিদা মরুওইবা পেলোদ অনি অমসুং মাইক্রো ৱেব রিমোর্ট সেন্সিং সেটিলাইট অমা য়াওরি। মহাকা মখা তানা হায়-পেলোদ অনি অসিগী মনুংদা অমনা ভারতনা শাবনি। অদুগা অমনা আমেরিকানা শাবনি।

কনভোকেসন অদুদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য ২৮ গী মহৈরোই লিশিং ১,৫০০ হেনবদা দিগ্রী সার্টিফিকেটশিং অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কন্সটিট্যুয়েন্ট কলেজ ১৩ গী মহৈরোইশিংদা দিগ্রী সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। এগ্রীকলচর অমসুং এলাইদ সাইন্সশিংদা মহৈরোইশিংদা দোক্তোরেল, পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি গ্রেজুয়েটকী দিগ্রীশিংসু খুৎশিন্নখি।

**রেডঃ** সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি.বি.আই) না রাজ্য ৮ গী মফম ৪২ দা থিবা হুন্বগী থবক চথখ্রে। মসি দিজিটেল এরেষ্টকী মায়োক্তা হৌজিক চথুরিবা ওপরেসন চক্র-ফাইব অসি অসাম, নোংচুপ বঙ্গাল, বিহার, উত্তর প্রদেস, মহারাস্ত্র, তেলঙ্গানা, করনতকা অমসুং তামিল নাদুদা চথখিবনি।

এজেন্সিনা হায়-ওপরেসন অসিদা মীওই মঙা ফাগৎপা ঙমখি। ওপরেসন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা টেলিকোম ওপরেটরশিংগী পোইন্ট ওফ সেল এজেন্টশিং লৈবা মফমশিং অমদি অতৈ মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী চথখি। থিবা হুন্বগী থবক অদুদা চে-চাং য়াওনা মোবাইল ফোন, ইলেক্ত্রোনিক দিভাইসনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

**মোন্সুন ঃ** আই.এম.দিনা হায়রি-খা নোংচুপলোমদগী লাকপা কুমগী নোং কেরলাগী সমুদ্র খোঙবানদা থা অসিগী ২৭ তা য়ৌরক্লবা য়াই। মসি মহৌশাগী

কুমগী নোং লাকপা মতমদগী নুমিৎ মঙানি ঙনখৎলবনি। কুমগী নোং ঙন্না লাকপা অসিনা কালেন মহৈ মরোং মপুং ফানা পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী আশা তৌরি।

**খেল্লো ঃ** বিহারদা চথরিবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা মহারাষ্ট্রনা সনাগী ২৮, লুপাগী ২৩, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৭৬ ফংদ্না মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি।

করনাটকনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ২০, শেঞ্জেংগী ৬ পুন্না তকমান ৪০, রাজস্থান্না সনাগী ১২ য়াওনা পুন্না তকামনা ২৪ ফংদুনা মথং শিনা অনিসুবা অমদি অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরনা সনাগী ৬, লুপাগী ৩, শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৪ ফংদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

**কাং (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিএল কেন্দ্রৱাইজ লিগ কম নোকআউট অপন কাং টুর্নামেন্ট-২০২৫ গী শান্নখিবা অরোইবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা- ৱাঙ্গোই কেন্দ্র (এ) না ৱাবগাই কেন্দ্র ধুরবাতরাবু পাঞ্জল ২০-১৬ তা থোইখ্রে।

অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ১৫ দা ওইনাম কেন্দ্র (এ) অমসুং ৱাবগাই কেন্দ্র-ধুরবাতারা শান্নরগনি।

**চেস (এল)ঃ** রাম নরায়ন সাস্ত্রি মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ওপন চেস টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৪ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা মনিপুর চেস এসোসিয়েসনদগী অকুপ্পা মরোল খঙলবা য়াগনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তেন্থা মল্টিপ্লেক্সতা শান্নখিবা তকৱা ট্রোফি ২০২৪-২৫ গা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-সনা এফ.সিনা য়ঙ ফোটোগ্রাফি এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা-কংলৈপাক পারি অমসুং ব্রদরস এফ.সি. পাঞ্জল অনি অনি চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ৩ শুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, সমরাম ট্রোফি-২০২৫ গী ৱিন্নর-ফুটবোল লবরস নোংপোক সেকমাইনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফুটবোল লবরস নোংপোক সেকমাইনা ফুটবোল লবরস মনিপুরবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

**টেনিসঃ** ওল মনিপুর সিভিল সাভির্সেস টেনিস টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন হেলথ দিপার্টমেন্টনা ওইরে।

থা অসিগী ৯ দগী হৌদুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসারস ক্লবতা চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিদা মনিপুর সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগ ৯ গী শান্নরোই ২৪ না শরুক য়াখি হায়রি।

**অরচারিঃ** ভারতকী আরচর-দিপিকা কুমারি অমসুং পার্থ সলুনখেনা চাইনাগী সংহাইদা চথরিবা আরচরি ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ টুদা ঙসি শেঞ্জেংগী তকমান ফংদুনা ভারতনা পুন্না তকমান তরেৎ লৌবা ঙমলে।